# বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চেকশিন্দবদগী মীচম মীয়াম অকিবা ফংনা খুদোংথিহল্লে: সন্দোসকুমার এম পি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক্কী ঙাক শেনবা অমদি মীচম মীয়াম্বু ইংনা চিক্লা লৈহনবদা শীংনরক্লিবা কয়া অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চেকশিন্দবদগীনি হায়বা খঙবা ঙল্লে। মসিমক্লা মীচম মীয়াম অকিবা ফংনা খুদোংথিহল্লে হায়না সি পি আই লুচিংবা রাজ্য সভাগী মেম্বর সন্দোসকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সন্দোসকুমার এম পিনা ঙসি দিল্লিদা থোকখিবা চেরোল অমদা ৱাফম অসি পল্লদুনা পহেলগাম টেরর এটেক্তা ইচম চমজরবা লম কোয়বা মীচম কয়াগী পুন্সি পিখম্লখিবা অদুগী মখা তাবা মীফা মীপুন অমদি মরাল লৈবা মীশক মীওইশিং ফাবা পুনবা নৎত্রগা দন্দি পীবা লৈখ্রবরা হায়না হংলি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মরাল লৈজদবা কেরলাদগী কাস্মিরদা লম কোয়বা চৎলুবা মীওইশিংদা দন্দি পীশিন্নবা হোৎনবা লেপত্রি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তৌগদবা মথৌ কাওথোক্লগা লেফটনা লৈঙাক পায়রিবা কেরলাদা তাইশিন্নবা লাক্লরি। পাকিস্টানগী খূৎ থিংজিল্লকপা অমদি মীরৈবাক্কী ফন্দিং কয়া লৈরবসু পূন্নমক কাওথোকহল্লগা নাথৈদুনা লৈরি হায়নসু সন্দোসকুমার এম পিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদি বি জে পিগা লেঙ্গোন্নরিবা ওর্গনাইজেসনশিংনা চথরিবা টেরোরিজমগী থৌওং কয়া নাথৈদুনা থম্লি। বজরং দলগী থৌওং, মাইনোরিটি মোর্চাগী আই টিগী হেদ তালিব সহাগী এক্টিভিটি, হান্নগী লুচিংবা তারিব মিরনা মিলিটেন্টশিংদা খূৎলাই সপ্লাই তৌরম্বা, হজবুল টেরোরিষ্টশিংবু পুদুনা চৎমিন্নরম্বা পুলিস ওফিসার দবিন্দর সিংহদা প্রসিদেন্টকী মনা পীখিবা পূন্নমক অসি বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা খঙহন-উহন্দনবসু হোৎনরি।

মণিপুর ষ্টেটতা থোক্লিবা ইরাং অসিসু বি জে পি লৈঙাক্কী সেক্যুরিটিদা অশোয়বা লৈবদগীনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চহী ২ হেল্লবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদ্রি হায়রি। ম্যান্মারদা মিলিটেন্ট মশেল হাৎনবনা লৈবাক অসিগী মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা অৱাবা তাহল্লিবসি বি জে পিগী থম্মোয় শেংদবা নেস্নেল সেক্যুরিটিদা ফেল ওইবা অসিননি। নেস্নেল সেক্যুরিটি হায়বসি সেন্ট্রেল সবজেক্টনি। মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লৈরবসু ক্রাইসিস সোলুসন পুরকপা ঙমদ্রিবা অসিনসু ইন্দিয়া লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী ফেল্লরনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎথোকচরে। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী ইন্টিলিজেন্সকী অশোয়বা ময়াম লৈরিবসি লৈতবগুম উহন্নবা হোৎনবা কৈদৌঙৈদসু মায় পাক্লোই। মীয়ামগী অমদি লৈবাক অসিগী লন-থুম কয়া থুগায়রগা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোয়না চত্তুনা লৈবাক অসিগী ফিভম ফরি হায়না উৎপনসু কান্নরোই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাকশিংদা চৎলিবা অসি প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুরনা চৎনবগী খুদোংচাবা পীদ্রিবা করিগীনো। পূন্নমক অসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অসিগী নেস্নেল সেক্যুরিটিদা অকিবা লৈহল্লিবসি বি জে পিননি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বামোন অমুমচাগী পূক্লিং লৌশিং

## পূক্লিং লুপশিনবা

যুর্জকান্ত ত্রিপাথি কৌবা অফাওবা হীন্দিগী অইবা অমা লৈরম্মী। মহাক অসি মীয়াম্নদি ''নিরালা'' হায়রগা খঙনরম্মী মরমদি মহাক্না ইবা মতমদা নিরালা হায়বা পেন নেম অসি শীজিন্নরম্মী। নিরালা অঙাংশিংগা শান্নবা য়াম্না পামজরম্মী নোংমা মহাক্না লম্বীদা অঙাং ময়ামগা শান্নদুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা মমাঙদা মহাক্না উনবা অদুমক্তা লাক্লমদ্রিবা মীওই খরা নিরালাগা উনবা লাক্লম্মী অদুগা মহাক মশাদা হায়রক্লম্মী,''অদোম্না চানবীদুনা নিরালাগী ময়ূম অমুক্তং তাকপিবা য়াগদ্রা ? ঐখোয় মহাক্না উনবা লাকচবনি।'' নিরালানা মখোয়দা হায়রম্মী,'' চানবীদুনা ঙৈহাক্তং ঙাইবীয়ু। ঙৈহাক লৈরগা ঐনা মহাক্কী ময়ূম তাকচগে।'' অসি হায়রল্লগা মহাক অঙাংশিং অদুগা হান্নগুম মখা তানা শান্নখিরম্মী। অঙাংশিংগী শান্নবা লোয়রগা মতুংদা নিরালানা মহাক মশামকা নিরালানি হায়বা শক তাকচরম্মী। মহাক্কা উনবা লাক্লিবা মীওইশিং অদুনা ঙকপনা থেংখ্রদুনা হায়রকই,'' করিগীদমক অদোম্না ঐখোয়না অহানবা হংজবা মতমদা অদোমগী শক তাকপিদ্রিবনো?'' নিরালানা খুমক্লম্মী,'' মতম অদুদদি ঐহাক অইবা নিরালাদু নৎচদে। মমান্নবশিংগা শান্নরিবা অঙাং অমনি।''

ঐখোয় ইশা অসি মফম মতমদগী মতুং ইন্না হোংবা তঙাইফদে। অঙাংশিংগী মরক্তা লৈরিঙৈদদি অঙাংগুম্না লৈগদবনি। মখোয়গী লৌথুপ লৌকোই লৈতবা অচম্বা পূন্সি মরেল অদুগী নুংঙাইবা লৌবতা নৎতনা মখোয়গী সংসারদা হিংবা তমগদবনি। নিরালানা অঙাংশিংগা শান্নরিঙৈ মতমদা মহাক মশাদু কাউথোক্লগা শান্নবদা পূক্লিং লুপখি। মসিমক ধ্যান তৌবগী মতৌ অমনি। ধ্যান তৌবা হায়বসি ইচম চম্না লৌরবদা ইশাবু কাউথোকপা ঙম্নবা হোৎনবনি।

## জিরিবাম অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফ্লাইং স্কোদ টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ জিরিবাম অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা লৌফম লৌকোল কয়াদা ইংনা চিক্লা থবক শুনবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন পীরকপশিং মতম চানা ঙাকথোক্লবা অমদি মীয়ামগী মরক্তগী লাকপা ৱাকৎ অমদি মুক্লবশিং মতম চানা য়েংশিন্নবা মীৎয়েংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ফ্লাইং স্কাদ টিম কয়া শেমখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবাম কৃষ্ণকুমার আই এ এসনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফ্লাইং স্কাদ টিম (এফ এস টি) অনী শেমখ্রে। জিরিবাম সব দিভিজনগী এফ এস টি-১ না এস দি সি জিরিবাম অতোম বিজেন্দ্রো সিংহনা লুচিংগনি। মহাক্কী কন্টেক্ট নম্বরনা ৯২৩৩৮৩১০৩০ নি। অদুগা বোরোবেক্রা এফ এস টি-২ না এস দি সি বোরোবেক্রা মোইরাংথেম দেবানন্দ সিংহনা লুচিংগনি। মহাক্কী কন্টেক্ট নম্বরনা ৭০০৫০১৫৩২২ নি। টিম অনীমক অসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পার্সোনেল অমদি সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স (সি এ পি এফ) এটেচ তৌগনি হায়রি।

ফ্লাইং স্কাদ টিম অমসুং সব দিভিজনেল এগ্রিকলচর ওফিসারগা খূৎশম্নবগা লোয়ননা পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদসু মতম পুন্নমক্তা কোওর্দিনেট তৌনগনি। এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদ জিরিবামগী মীৎয়েং মখাদা লৈগদবা টিমশিং অসিনা মতম পূন্নমক্তা দরকারগী মতুং ইন্না এস পি ওফিসকা কোওর্দিনেট তৌনগনিসু হায়রি।

অতোপ্পা অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ফ্লাইং স্কাদ টিম ৬ শেমখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট বিষ্ণুপুর পুজা এলাংবম্না থোকখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না নম্বোল সার্কলগীনা এস দি সি নম্বোল থোইদিংজম সম্বুনাথ, ওইনাম সার্কলগী ওইনা এস দি সি ওইনাম অকোইজম পুন্সিবা মীতৈ, বিষ্ণুপুর সার্কলগী ওইনা এস দি সি বিষ্ণুপুর পি রাকেসচান্দ সিংহ, নিংথৌখোং সার্কলগী ওইনা এস দি সি নিংথৌখোং রোবার্ট ওক্রম, মোইরাং সার্কলগী ওইনা এস দি সি মোইরাং বোইনাও সিংহ ওইনাম অমসুং কুম্বী সার্কলগী ওইনা এস দি সি কুম্বী মাইরেম্বম সাইলেসরাজনা লুচিংগনি হায়রি।

## মহৈরোইশিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে

খোংজোম, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোংজোম সার্কলদা লৈবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা প্রোগ্রেসিভ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (পি য়ু সি ও) লিংখৎখিবা চহী ১৮ মপূং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অহানবা পি য়ু সি ও মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোক্তুনা মহৈরোইশিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

তেকচম প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা আই আর ই গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসন ৱাংজিংগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল ডা. নারেংবম রাজিবকুমার, ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর লাইশ্রম সুভাসচন্দ্র, প্রসিদেন্ট রাজেন লৈশাংথেম, পি য়ু সি ওগী প্রসিদেন্ট রাজেন খুমন, সাপম জি পিগী চিয়ারপার্সন য়ুম্নাম লন্ধোনি দেবী, তেকচম জি পিগী চিয়ারপার্সন লাংপোকলাকপম ধমেন্তি দেবী, ১০-লাঙথেল জিল্লা পরিষদকী চিয়ারপার্সন থিংবাইজম ইবোচানচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না খোংজোম সার্কলগী মনুংদা লৈবা খুলশিংদগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামদা থোইদোক হেন্দোক্লা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখিবা মহৈরোইশিংদা মোমেন্তো, সাইটেসন অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। পি য়ু সি ওগী ফাউন্দর মেম্বরশিংদসু লেঙয়ান খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## থৌবাল কোলেজ মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

থৌবাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
থৌবাল কোলেজগী একাদেমিক সেসন ২০২৫-২৬ তা বি এ/ সাইন্স ফার্ষ্ট সেমিষ্টরদা নৌনা মিং চল্লবা মহৈরোইশিংবু শকখঙ মায়খঙনবা অমদি কোলেজ অসিগী মরমদা খঙমিন্নবগী নুমিৎ হুম্নি চখুগদবা ষ্টুদেন্ট ইন্দক্সন প্রোগ্রাম ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌবাল কোলেজগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রো. এ নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, থৌবাল কোলেজ টিচরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন ইবোবিনা থৌরম মপু অদুগা কোলেজ অসিগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. কে তেজরানি দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। ন্যু এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি)গী কোলেজ অসিগী কোওর্দিনেটর এস জানেন্দ্রনা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল কয়া শন্দোক্লা থমখি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওঝা কয়াসু ৱা ঙাংখি।

ঙসি অহৌবা নুমিত্তা কোলেজ অসিগী ফিটনেস সেন্টর, লাইব্রেরী, স্বিমিং পুল, বাস্কেটবোল গ্রাউন্দ অমদি জুবিলি হোলনচিংবদা নৌনা মিং চল্লকখিবা মহৈরোইশিংবু পুদুনা য়েংহনখি। হয়েং নীনি চনবা নুমিত্তা সেনিয়ার মহৈরোইশিং অমদি ওঝাশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনগনি। অদুগা নুংথিলদনা টেলেন্ট সো নচিংবা পাঙথোক্কনি। অদুগা অরোইবা নুমিত্তনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ইন্দক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি।

## হিয়াংথাংদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা লিশাং শিংনা চথরকপা কেম্পেইনগী মনুংচন্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংথাংদা লৈবা কুমারি হায়স্কুলদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কুমারি হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর কে সনাতোম্বা কবুই, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল কোংব্রাইলাকপম বিনানা পূন্না থৌরম মপু ওইখি। অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল টি গীতচন্দ্র মৈতৈসু রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা টি গীতচন্দ্র মৈতৈনা হায়, ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং ফত্তে খঙলবনিনা কৈদৌনুংদসু শোক্লোইদবনি অমসুং টেষ্ট তৌরোইদবনি। করিগুম্বা টেষ্ট তৌরুবা মতমদা হৈনবী ওইরক্লবদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লাইচুবা হায়বদু ওইরক্কনি। মদুনা মখল কয়াগী লায়না নারক্লবগী মচাক ওইরকপা য়াই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরে। লোয়ননা ৱাথোক কয়া থোকহনবদা নত্তনা খুন্নাই অসিসু মনিং হলহল্লে। মরম অদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং মরুফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

THAWAI AMBULANCE
& HEALTHTEACH SERVICE
IMPHAL, MANIPUR
7005458829, 9856143692
24/7 Emergency Services

মণিপুর মনুং খক্তদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা চহী কয়াগী মমাঙদগী থৱাই এম্বুলেন্সনা মীয়ামগী সার্ভিস তৌদুনা লাক্লি। মখা তানা মীয়ামগী সার্ভিস মপুং ফাহন্নবগীদমক্তা মথক্কী ফোন নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবিরকউ।

HEAD OFFICE : NAMBOL BRANCH
BRANCH OFFICE : RAMAKRISHNA MISSION SCHOOL, URIPOK, OPPOSITE GATE NO. 2

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
উমংগী কুম্মৈগা মরী লৈননা থা অসিগী ৫ দগী হৌনা উ চারা থাবগী চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা উ চারা কয়া থাখ্রে।

খোঙজং অদুদা জোইন্ট এক্সন কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এ সি সি)গী চিয়ারমেন সিঐচ হেমচান্দনা লুচিংখি। অদুগা অথোইবী ভি এল এফকী থৌমীশিং শরুক য়াখি হায়রি।

## মুক্তাসনা হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট এস ব্রোজেন সিংহনা ঙসি থোকখিবা মেমোরেন্দমগী মনুং ইন্না পার্টি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল নম্বর ২৮(১)(বি)গী মতুং ইন্না ডা. এ মুক্তাস্না সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরী (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইনা হাপখ্রে হায়রি।

## সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা চথরকখিবা বন মহোটসবকী থৌরম মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে




সেনাপটি, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী হৌনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা চথরকখিবা বন মহোটসব-উমংগী কুম্মৈ ২০২৫ কী থৌরম ঙসি মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে।

চয়োল অমা চূপ্পা চথরকখিবা থৌরম অদুদা লম লমগী মীওইশিং, স্কুল মহৈরোইশিং অমদি লৈঙাক্কী এজেন্সিশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সেন্টর ৩৪ দা উ চারা লাক্ষ অমা হেন্না থাবা ঙমখি হায়রি।

উ চারাশিং থাবদা নত্তনা উমং য়োকখৎপগী মরুওইবগী মতাংদা মীয়াম পূন্না ভাব তামিন্নবা, পূন্না হিংমিন্নবা অমসুং অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেনবা হায়বসিগী মতাংদসু খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেনবা হায়বা অসিদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংদা নত্তনা অপূনবগী ওইনা অমসুং মপু ওইনা তৌগদবা থবক কয়াসু নীংথিনা নৈনখি।

চয়োল অমা চূপ্পা চথখিবা উমংগী কুম্মৈ থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিং লাইন দিপার্টমেন্ট, সেক্যুরিটি এজেন্সি, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ভিল্লেজ হেদ মেন অমসুং চিয়ারমেন, ভোলুন্টিয়ারশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মতেং পাংবগা লোয়ননা শৌগৎপিখিবা অদুগীদমক অপেনবা অমসুং নুংঙাইবসু ফোঙদোকখি। অসিদসু নত্তনা সেভিও স্কুল তুংজোই, দোনবোস্কো শাজৌবা, মাউন্ট দিভিওন স্কুল তদুবী, ব্রোকদালে স্কুল, সেন্ট এক্সভিয়ার কোলেজ, নাগা পব্লিক স্কুল কোইদে, স্প্রাউটিং ওক্স একাদেমি, লাও রিদেন্ট স্কুল, সেন্ট এন্থোনি স্কুল, লুইনিংলা ইলিজাবেট কোলেজ, মাউন্ট এভরেষ্ট স্কুল, জে এন ভি মাও অমসুং সোফিয়া ইংলিস স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ওঝাশিংসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## চাইনিজ পেঙ্গোলিন অমা কনখ্রে

সেনাপতি, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ
সেনাপটিগী ফোরেষ্ট ওফিস অমসুং সদিমপুখ্রি ভিল্লেজ ওথোরিটিনা পূন্না চাইনিজ পেঙ্গোলিন অমা কল্লবা মতুং উমং অমসুং লমলক্কী শা উচেক কন্নবা মীৎয়েংদা মহৌশাগী হৈনফম ওইবা মফমদা থাদোকখ্রে হায়রি। চাইনিজ পেঙ্গোলিন অমা লৈরে হায়না সাদিম মলিংলি ভিল্লেজগী খুঞ্জা জোসেফ কাবনা পাউ পীরকপদগী মফম অদুদা চত্তুনা পেঙ্গোলিন অদু রেস্ক্যু তৌখিবনি হায়রি।

**LOST**

I have lost my invoice of Jupiter 125 bearing Regd. No. MN06SK 7782 Issued by DTO Imphal East and Driving Licence bearing Licence No MN06/0004318/2024 issued by DTO Imphal East, on the way between Thangmeiband and Hatta on 6/07/2025.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Md Abdus Sattar**
Hatta Mana Ingkhol P.O/P.S Porompat
Phone no. 6033819031

SL/Sush/08

## লান্ন-থৌরম



মালেম তাইবং অসিদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা **মোইরাংথেম ওংবী নয়েন্নী লৈমা**-না পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা হৌখিবা চৈচৎ ০২-০৭-২০২৫ কুমজা, ইঙেনগী ৭ নি চনবা য়ুমশকৈশ কোরৌদা নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ পূন্নমকপু থাদোক্লমদুনা মপুগী লৈকোলদা হৈনম লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

হৌখিবা চৈচৎ ০৬।০৭।২০২৫ কুমজা ইঙেনগী ১১ নি চনবা নোংমাইজিং কোরৌদা মঙানি লৈহুন তমজখ্রবা মতুং চৎলিবা চৈচৎ ১২।০৭।২০২৫ কুমজা, ইঙেনগী ১৭ নি চনবা থাংজ কোরৌদা লৈখিদ্রবীগী লান্ন-থৌরম থোক্লে। কোরৌ অসিদা লৈখিদ্রবিগী য়াইবী থৱায়না মপুগী খুয়াদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং তাইবং মপুগী খুয়াদা কচ্চবগা লোয়ননা শিদবা মপুগী মীংখৈরোল শকচা শোঞ্জগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল খ্বাই পূন্নমক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা তাইবং মপুগী মীংখৈরোল তাবিরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেল চৎচরি।

ৱাইখোং উয়ুং খুনৌ।

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
মোইরাংথেম রঞ্জিৎ মৈতৈ (মপুরোইবা)
মোইরাংথেম অচৌবা মৈতৈ (মচানুপা)
মোইরাংথেম ওংবী বালা লৈমা (মমৌনুপী)
অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিং

SL/B-(Wangoo)/08

### In the court of Sub Deputy Collector, Imphal West (Central) : Manipur

Ref. : Mut. case No. 732/SDC/IW(C) of 2025, dt 01/07/2025

Khundrakpam Ambrabati Devi W/o (L) Kh. Kala Singh of Thangmeiband Meisnam Leikai
--- Petitioner

-Vs-

Late Khundrakpam Kala Singh S/o Kh. Thambou Singh of Thangmeiband Meisname Leikai
--- O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Lamphel, the 7th July, 2025

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Khundrakpam Kala Singh S/o Kh. Thambou Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 90-Thangmeiband অরিবা পাট্টা নম্বর 1835 অনৌবা পাট্টা নম্বর 2572/3723 দাগ নং 3304/3397 অমসুং এরিয়া 0.025 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/Nanao/08

### In the court of Sub Deputy Collector, Imphal West (Central) : Manipur

Ref. : Mut. case No. 733/SDC/IW(C) of 2025, dt 01/07/2025

1. Kangabam Sophiya Devi W/o Naorem Shantikumar Singh of Keishampat Thiyam Leikai
2. -Do - Ranjit Singh S/o (L) K. Chourajit Singh of - do -

--- Petitioner(s)

-Vs-

Late Kangabam Chourajit Singh s/o Tunal Singh of Keishampat Thiyam Leikai
--- O.P. (s)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Lamphel, the 7th July, 2025

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Kangabam Chourajit Singh S/o Tunal Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 85-Sagolband অরিবা পাট্টা নম্বর 85/192 Ang অনৌবা পাট্টা নম্বর 2304 দাগ নং 17231 অমসুং এরিয়া .0508 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিংগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/Su/08

### In the Court of The Sub-Deputy Collector, Bashikhong, Imphal East

*Ref. :- Mutation Cass No. 198/SDC/B/IE/2025 Dt. 07/07/2025*

1. Kharibam Damenti Devi D/o, Kharibam Thambou Singh of Thongju Pheija Leitong Maibi Lampak

Vs

Ningthoujam (N) Kharibam (O) Chonjon Devi D/o. (L) Tomba Singh of Thongju

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

*Bashikhong, the 07th July, 2025*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহসিল খুল নং 68-Kyamgei পাট্টা নং 487 অনৌবা দাগ নং 483 মোট এরিয়া 0.63000 একর চাউবা লৌফম অসিগী পট্টাদার Ningombam (O) Kharibam (N) Chonjon Devi D/o (L) Tomba Singh of Thongju দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারি অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপতি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপতি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

SL/B(MEI)/08

### Government of Manipur
### Office of the Sub-Deputy Collector, Bashikhong Imphal East

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Bashikhong, the 07th July, 2025

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি শ্রীমতি Ningombam Ibempishak Devi লৈফম Bashikhong Kongba, Irong, Imphal East অসিনা লৈখিদ্রবা Ningombam Kunjo Singh বু মহাক্কী লিগেল নুপানি হায়দুনা ওফিস মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife Certificate পীবিয়ু হায়দুনা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনৈ খনবিবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ 5 (five) গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/B-Mei/08




## GAS TODAY

| Khumbong Indane | Imphal LPG service |
|---|---|
| Booking upto 20/05/25<br>Valid from 18/05/2025<br>Only home delivery sarvice<br>Office no.9774068549<br>Home delivery contact no.8974511936<br>Message no.8974511936<br>Time 7.30am to 10.am. | (Home Delivery Only)<br>Booking- Up to Date<br>Office Contact No. 9362654114. Whatsapp No. 986324773<br>Time 8:30 to 12:30 p.m.<br>Available 5kg,10 kg, 19 kg |
| **Hiyangthang Indane**<br>Booking : 23/05/25<br>Valid : 21/05/25<br>Time- 07.00 am to 11.00 am<br>Home Delivery Service Only<br>Office Contact No. - 6381638861<br>Massage or Wasapp No. - 6009260971/ 7005791014/ 6909433847/ 8787435205/ 7005560869/ 7005412900<br>Delivery Within 5 Days | **Khoriphaba Gas, Nambol**<br>Booking: Up to Date<br>Time 07.00am to 10 a.m.<br>**Leibaklei Gas, Kakching**<br>Booking up to : 05/06/25<br>Valid from : 01/06/25<br>Stk : 324<br>Home Delivery Only<br>(Delivery Within 4 Days)<br>Contact No.-9862634903 / 8415050488/ 9862283423<br>Time : 07.00 to 10.00 a.m. |